**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খুৎশু খুৎলায় য়াওনা লালহৌবা ৫ ফারে।

২) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি সিক্কিমগী নথুলা পাসতা চত্তুনা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংগা উনগনি।

অমসুং

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- নার্কোতিক্স অমসুং খুৎশু খুৎলায় য়োনবা থিংনবা সরকারনা এন্তি দ্রোন সিষ্টেম ইন্সটোল তৌরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চখিরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংকোট খুলদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফারে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি এম.কে-টু রাইফল অমা, এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, তুয়েল্ব বোর রাইফল অমা, পোইন্ট টু টু কন্ত্রিমেদ রাইফল অমা, কন্ত্রি মেদ তুয়েল্ব বোর রাইফল অমা, কন্ত্রি মেদ পোইন্ট টু টু স্নাইপর রাইফল অমা, এস.বি.এম.এল নোংমৈ অনি, এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, তুয়েল্ব বোর এমতি কাত্রিজ ১৩, আই.ই.দি মঙা, ৱায়ারলেস হেদ সেট য়াওনা নোংমৈ মরু খরসু য়াওরি।

নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদা ওপরেসন চখ্থবদা পাৎলৈজাং খুলদা আইন্না য়াদবা মওংদা শাজিল্লম্বা বঙ্কর অমা অমসুং টি.এম. কসোম খুলদা শাজিল্লম্বা বঙ্কর অনি থুগাইখ্রে। মফম অসিদগী আহ্.ই.দি অমা, পোম্পী নোংমৈ অনি, বাউফেং রেদিও সেট য়াওনা নোংমৈ মরু খরসু ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, নম হাদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন্না য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবকসু মখা তানা চখ্থরি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী ফোরেষ্ট গেট মনাক্তা লৈবা ময়াই কৈথেলদগী লালহৌবা অনি ফাখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংঙাদা-কামেং এরিয়াদগী লালহৌবা অমা, জিলা অসিমক্কী ক্যামগৈ শান্তিপুর ময়াই লৈকাইদগী লালহৌবা অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ককৱা লিলান্দো লম্পাক্তগী লালহৌবা অমগসু ফাগৎখি।

ইদ (এল) ঃ মুস্লামানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ-ইদুল জ্হা হয়েং পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিদা তোঙান তোঙানবা মসজিদশিংদা নমাজ শোনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

ইম্ফালগী তেংকিৱালি মসজিদতা অয়ুক পুং তরুক মিনিট ৪৫ দা নমাজ শোনগনি। হত্তা মসজিদতা অয়ুক পুং ৭ মখায়দা, গোলাপতি জমা মসজিদা অয়ুক পুং ৮ দা, সদর বজার মসজিদতা অয়ুক পুং ৮ মখাদা অমসুং বাবুপারা মসজিদতনা অয়ুক পুং ৯ মখায়দা ইদুল জ্হাগী নমাজ পাঙথোক্কনি হায়রি।

আর্ট (এল)ঃ মণিপুরগী শকাইরবা লাইয়েকপা আর্টিষ্টশিংগী ওইবা অনোই হায়না মীংথোনবা নুমিৎ মঙানি চখ্থগদবা আর্ট একজিবিসন অমা ঙসিদগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরিদা হৌরগনি। আর্ট একজিবিসন অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চখ্থগনি। একজিবিসন অসিদা অয়েকপা লাইশিং অমদি স্কল্পচরশিং উৎকনি।

মুরুমঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি সিক্কিমগী নথুলা পাসতা চত্তুনা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংগা উনগনি। নাথুলা পাসতা চৎকনি। মহাকা গেংতোকতা লৈবা সিক্কিম য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসনদসু শরুক য়াগনি। মহাক্কী নুমিৎ হুমি খোঙচৎকী অরোইবা নুমিত্তা গেংতোককী পলজোর স্তেদিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা সিক্কিম পুলিসতা প্রসিদেন্টস পুলিস কলর খূৎশিন্নগনি।

ঙরাং রাষ্ট্রপতি মুরমুনা ওকিদেরিয়ম অমসুং নময়াল ইন্সটিট্যুট ওফ তিবেতোলোজিদসু চৎখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- দ্রোনগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিদগী মীরমদা নার্কোতিক্স অমসুং খুৎশু খুৎলায় য়োন্থোক য়োনশিন তৌবা থিংনবা সরকারনা লাক্কদৌরিবা থা তরুক্কী মনুংদা এন্তি দ্রোন সিষ্টেম ইন্সটোল তৌবগী থবক লোইশিন্নবা হোৎনগনি।

রাজস্থানগী বিকানের জিলাদা লৈবা সানচু বোর্দর আউট পোষ্টতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বি.এস.এফ পার্সোনেলশিংদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা কিহল্লকপা খুদিংমক হকচিন্না অমদি মরুওইনা লৌবগুম, মসিগুম্বা থবক থৌওংশিংদা মতেং পাংশিল্লিবা মনুংগী ওইবা হিরম কয়াদসু হকচিন্না লৌফম থোকই। মহাকা হায়- অসিগুম্বা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎকনি। শ্রী সাহনা হায়- বোর্দ সেক্যুরিতি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা বি.এস.এফ, আর্মদ ফোর্সেস, লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং মীয়ামগী ওইবা মর্ল্টি সেক্যুরিতি য়ামমক তঙাইফদে।

সেন্টরঃ লৈবাক অসিদা মীতোপ চংশিল্লকপা অমসুং অতৈ মরমশিংনা হান্না লৈজরম্বা মীশিংদগী হেনগৎলক্লিবা অসি থেংননবা কেন্দ্রনা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেমখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা গৃহ্ মন্ত্রি-অমিত সাহ্না হায়-কমিতি অসি সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী জজ-প্রকাশ প্রভাকর নাওরেকরনা সভাপতি ওইগনি। মসিদা সেন্সস কম্মিস্নার অমদি হান্নগী আই.এ.এস. ওফিসার-দুর্গ শঙ্কর মিশ্রা, হান্নগী আই.পি.এস. ওফিসার-বালাজি শ্রীভাস্তবা অমসুং ইকোনোমিষ্ট-ডা: সমিকা রবি য়াওরি। গৃহ্ মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি (ফোরেন্নরস-আই) না মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা কমিতি অসিদা য়াওগনি। গৃহ্ মন্ত্রিনা হায়-মীতোপ চংশিল্লকপা অমদি অতৈ মরমশিংনা দেমোগ্রাফিকতা চাউনা অকায়বা পীদুনা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা অমসুং তুংদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি।

মমাং চহিগী নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমদা ন্যু দিল্লিগী লাল কিলাদগী ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা দেমোগ্রাফিক্তা অওনবা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী কমিতি শেমবা লাউথোকখিবনি।

দিল্লি ঃ লৈবাক্কী কোনুং নিউ দিল্লিদা নুংশিৎকী ফিভম কা হেন্না মোৎশিল্লকপা অসি থিংনবা পায়খৎলিবা থবকশিংগী ফিভম য়েংশিনবগী মীফম অমা ঙরাং কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী মন্ত্রি ভুপেন্দর যাদব অমসুং নিউ দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী যাদবনা নীংথম থা লাক্ত্রিবৈঙে মাংওইননা কুপা খন্নরবা মতুং অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা ফিভম অসি লাকশিন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা কয়া পনখি। হিরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা দিল্লি সরকারনা পায়খৎলিবা থবকশিংবুসু মন্ত্রি যাদবনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়- সহর অসিগী অকোইবদা ই.ভি. পাব্লিক চার্জিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎপা মথৌ তারে। মখা তানা দিল্লিগী মেত্রো নেটৱার্ক মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মীয়ামদা পাব্লিক ত্রান্সপোর্ট শিজিন্নবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবসু মহাকা ফোংদোকখি।

এপপ ঃ সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ বিরেন্দ্র কুমারনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পি.এম.এ.জে.এ.ৱাই পোর্তেল অমসুং এ.জে.এ.ৱাই মোবাইল এপপ হৌদোকখ্রে। মোবাইল এপপ অসিনা সেদ্যুল কাষ্টকী ওইবা স্কিমশিং দিজিতেলাইজ তৌবা অমসুং মপুং ফানা চৎনহ্নবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

সোজসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিনা প্রধান মন্ত্রি অনুসুচিৎ জাতি অভিযুদয় য়োজনা (পি.এম.এ.জে.এ.ৱাই) স্কিম করম্বা ফিভমদা চলাইরিবগে হায়বদু কুপা য়েংশিনবা ঙমহল্লগনি।

আইপিএলঃ রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরু ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ফাইনেল চংখ্রে।

ঙরাং হিমাচল প্রদেসকী ধরমাশালাদা ক্বালিফাইয়র ৱানগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুনা গুজরাত টাইতান্সপু রন ৯২ দা থোইখ্রে। টোস ঙমদুনা হান্না বেত্তিং তৌখিবা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুনা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৫৪ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা গুজরাত টাইতান্সনা ওভর ১৯ বোল ৩ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১৬২ লৌখি।

ঙসি ইলিমিনেটর মেটচতা সন রাইজরস হায়দ্রবাদকা রাজস্থান রোয়েলসকা মোহালিগী ন্যু চান্দিগরদা শান্নগনি। মেটচ অসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দগী হৌগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

লৈবাক অসিগী দেমোগ্রাফিদা অহোংবা লাকপা অমসুং মীতোপ চংশিল্লকপশিং কুপা য়েংশিন্নবা সেন্তরনা হাই লেবেল কমিতি শেমখিবা, নাগাগী মীওই ৬ ফাবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি পুলিসনা ফাখিবগী পাউশিংনা ঙসি

ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

আইন্না য়াদবা মওংদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা অমসুং মসিনা লমদম অসিগী দেমোগ্রাফিদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসি য়েংশিন্নবা সেন্তরনা হাই লেবেল কমিতি শেমখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী দেমোগ্রাফিদা অহোংবা লাকপা য়েংশিন্নবা সেন্তরনা হাই লেবেল কমিতি অমা শেল্লকপা তরামা ওকই হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা খৌপুমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপশিন্দুনা লান্দারকখ্রে, ইমুং অমগী মীওই অহুম শিনিংচিৎতা নাম্থোকহৌরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নেমচা কিপগেনদা মরাল শিরকপগী মায়োক্তা কুকিশিংনা কাংপোকপীদা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা কেপসনগী মখাদা নাগা ফাবদা চেন্নবনি হায়বা মরি কাংপোকপীদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়না সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা সেনাপতিদা গাড়িশিং পনদুনা লৈরকপা নুমিৎ ১৪ নি শুখ্রে, গাড়িশিং ইম্ফালদা পুরকবগীদমক মতোৱাগী মীহুৎশিংনা সি.এমগা উন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গভর্নরনা ৫২ শুবা শুমাং লিলা ফেষ্টিভেল হৌদোক্লদুনা মসিগী ফম্বাকনা নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা আপীল তৌখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরদগী এষ্ট্রো ফিজিক্স ডাঃ রোনালদো লাইশ্রমনা নৌনা পুথোকপা প্রোটো ক্লষ্টর, লোক্তাক প্রোটো ক্লষ্টর হায়না মমিং থোনখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীতৈ-মৈতৈ অমসুং নাগাগী অপুনবা নেতিভ পিপলস কমিতি মণিপুর কৌবা লুপ অমা শেমখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনবা খৌপুম সবদিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা গোইথাং দুইথানজাং খুলদা লৌমীশিং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি সি.এস.ওশিংনা থল্লকপা ৱাফম এন.পি.এফ মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------